## মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): পর্সনেলিটি দিভলপমেন্ট ত্রেনিং সেন্তর ৱাংখৈ অয়াংপল্লিগী অহুল্লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, অঙাংশিং নীংথিনা য়েংবীবা চঙই। অঙাং শেম্বগী ৱাখল্লোন লাক্কুনা অসিগুম্বা থবক পায়খৎলকপা অসি মতেং পাঙশিন্দুনা হোৎনবীবা চঙই। সেন্তর কয়াসু লীংখৎতুনা অঙাংশিং শেমগৎসি। লাইরিক হৈরগসু লাইশু য়াওদ্রবদি কান্নদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ফিল্ম একাদেমী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সাপম মোমোন্না প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ৱুমেন দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী হান্নগী চেয়রপর্সন ৱাহেংবম ওংবী জয়মতিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## পি আই এল থাঙ্গৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট অথোকপম ইন্দ্রকুমারনা নন জুদিসিয়েল ষ্টাম্প অমসুং জুদিসিয়েল ষ্টাম্প মণিপুরদা মতম শাংনা মপুং ফানা ফঙদবগা মরী লৈনবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা ফাইল তৌখ্রে।

বার এসোসিয়েসন য়াওনা মীয়াম অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা হন্না হন্না হায়জরকপগী মতুংইন্না পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অসি ফাইল তৌখিবনি অমদি কুমজা ২০১৭ গী পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন নম্বর ৩২ ওইনা ফাইল তৌখিবনি হায়রি। অপীকপা দিনোমিনেসনগী নন জুদিসিয়েল ষ্টাম্পশিং লাইসেন্স ভেন্দরশিংদা ফঙদ্রবসু ষ্ট্রীট ভেন্দরশিং, দুকানশিং অমদি ওথ কম্মিস্নরশিংনা ফঙলিবা অসিনা চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা ওথোরিটি অমত্তনা কন্ট্রোল তৌদ্রে। লুপা ১০, ২০ অমসুং ৫০ গী দিনোমিনেসনগী নন জুদিসিয়েল ষ্টাম্পশিং অহেনবা মমলদা য়োল্লি হায়রি। অসিগুম্বা নন জুদিসিয়েল অমদি জুদিসিয়েল ষ্টাম্পশিং অসি হৌখিবা চহী মরি মঙারোম অসিদগী ফঙদনা লাক্লি। অদুবু পেটিস্নরশিংনা অতোপ্পা উপায় অমা লৈতবদগী অহেনবা মমলদা লৈদুনা শীজিন্নরি হায়রি। পি আই এল নম্বর ৩২ ওফ ২০১৭ গী মতুংইন্না হায় কোর্টনা চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর/ সেক্রেটরি ফাইনান্স, কম্মিস্নর/ সেক্রেটরি (রেভিন্যু) অমসুং দিরেক্তোরেট ওফ ত্রেজরিদা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে হায়রি। কেস অসি থা অসিগী ১৭ কী লিষ্টতা য়াওগনি হায়রি।

## ৱিসদম ফাউন্দেসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ৱিসদম ফাউন্দেসন খাঙবোক্কী চহীগী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি স্কুল অসিগী শান্নবুঙ্গদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী রতন থিয়ামনা চীফ গেষ্ট, আই সী দি এস ইম্ফালগী দি পি ও, কেঐচ বরপানন্দনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম, বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া থৌবালগী মেনেজর দিপক খায়দেম অমদি কে এস এ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট এম লক্ষমন্না গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা রতন থিয়ামনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক্কী মতমদা লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবগী থৌওং কয়া অমা চখরিবা অসি নুংঙাইতে। মতমবু নীংথিনা শীজিন্নবা হৈতবদগী খুদোংচাবা কয়া অরেম্বদা মাঙখি। মহৈরোয়শিংনা অচুম্বা চৎপগী কান্নবা অমদি ওজাশিংনা নীংথিনা মহৈ তম্বীবা তঙায়ফদে। ওজানা পারা তাকপদা ৱাহৈ অমগী রিফরেন্স য়াম্না পীবা, খঙবা অমদি লাইরিক য়াম্না পাবা মথৌ তাই। ৱিসদম ফাউন্দেসন্না অফবা মহৈরোয় কয়া লেপ্তুনা পুথোরকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

স্কুল অদুগী প্রিন্সিপাল এল সুভানা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা চহী খরা অসিদা স্কুল অসিগী অনৌবা মশক উরগনি। পুম্নমক অসি মীয়াম্না সপোর্ট পীবদগী ঙম্বনি। মখা তানসু সপোর্ট পীবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

তুংদা স্কুল অদুগী ক্লাসশিংগী টোপ্পরশিংদা মনা-মথুম পীখি। হন্দক পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন এগজামদা স্কুল অসিগী মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা খুদোলশিং তমদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। লেট্টর মার্ক পুথোকপা ওজাশিংদসু অচম্বা খুদোলশিং তমখি।

## ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ঙসিগী এদিসনগী লামায় ৩ দা য়াওবা চাউখৎপা পুরকপদা হ্যুমেন ... হায়বা কেপসনগী মখাদা ফোঙখিবা পাউগী অনীশুবা ষ্টেঞ্জাদা দিভলপমেন্ট কম্মিস্নর (হেন্দলুম) মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল হায়খিবদু দিভলপমেন্ট কম্মিস্নর (হেন্দিক্রাফট) মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। *এদিটর*

## মোলভাইফৈদা কম্প্যুটর লিটরেট প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

# সী এম বিরেনগী লুচিং মখাদা চীং তমগী মরী হেন্না ফগৎনবা হোৎনরি : হৈখাম দিঙ্গো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গভর্নমেন্ট অসিগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী লুচিং মখাদা চীং-তমগী অনীগী মরী ফগৎনবা হোৎনরি। মসিদা লমদমসিগী মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে।

ৱাফম অসি মঙাল রুরেলনা শীন্দুনা পূন্না হিংমিন্নবা অমদি পূন্না চাউখৎমিন্নবা হায়বা পান্দমদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোলভাইফৈ কম্যুনিটি হোলদা কম্প্যুটর লেম্না তম্বীবা হৌদোকপগা লোয়ননা দাটাৱিন্দ টেব্লেট য়েন্থোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা চীফ গেষ্ট, মোলভাইফৈ ভিলেজ ওঠোরিটিগী সেক্রেটরি লালরোহলুন রাংচলনা প্রসিদেন্ট, এরিয়া সেলস মেনেজর দাটাৱিন্দ পোভর্টি লিমিটেদকী নোর্থ ইষ্ট সর্কল নুপুর বোরা অমদি আর টি আইগী দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার এস প্রেমানন্দনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা খুদোল তমদুনা নুংশি মরী শাগৎপা, তোঙান-তোঙানবা কলচরেল শো কয়াসু উৎখি।

থৌরমদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা চীং-তমগী মরী ফগৎনবা পায়খৎলিবা চীং চৎসি হায়বা খোল্লাউ অসিগী মনুং চনবা থৌরম ওইনা মঙাল রুরেলনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। লন্নাই লুপ অসিগী মনুং হঞ্জিনবা চীংগী মফমশিংদা চৎতুনা খুলগী খুঞ্জা পুম্নমক কম্প্যুটর লেম্না তম্বীদুনা হৈহনবা হায়বসি অরাইবা থবক নত্তে। গভর্ণমেন্টনা তৌবদা ঙমদ্রিবা থৌরাং অসি মঙাল রুরেলনা পায়খৎতুনা চুড়াচান্দপুরগী নুংথং তম্পাকপু নোর্থ ইষ্টকী মনুংদা অহানবা ওইনা চান্মদা চান্মা লাইরিক হৈরে হায়না লাউথোকখিবা অসি ষ্টেট অসিগী মায়নি। লৈবাক্কী খনবা নহারোল কয়ানা অসিগুম্বা অফবা থবক পায়খৎলকপদা ঐখোয় পুম্নমক্না শৌগৎফম থোকই। হীরম অসিদা মহাক্লা করি মতেং পাংবা য়াবগে হায়বদু খন্নখিগে হায়খি।

মঙাল রুরেলগী ফাউন্দর নিংথৌজম সুর্জিৎনা হায়খিবদা, মালেমগী লৈবাকশিং ঙসিদি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদা অদুক্কী মতিক খুমাঙ চাউশিনখ্রবনি। মতাংসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী ইন্দষ্ট্রি লৈতে, শেল-থুমগী খুদোংচাদবা লৈ হায়দুনা তুমিন্না লৈথোকপা চুমদে। মালেমগী অওনবদা য়াওশিন্দুনা লমদমসি চাউখৎনবা অমদি ঈশানা ঈশাবু থবক পীনবা হোৎনবা তঙাইফদে।

মঙাল রুরেলনা পায়খৎলিবা থবকসিদি ঈচম চম্বা শেল য়াম্না চঙদবা লমদমসিগী মীয়াম মতৌ করম্না কম্প্যুটর হৈহনগদগে হায়বসিনি। মীপূম খুদিংমক কম্প্যুটর হৈতবা য়াদ্রবা মতম ওইরক্লে হায়রদুনা হৈহনবদি লাই, অদুবু মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীদ্রবদি মায় পাকপা ঙম্লোই। মমাঙদা সাইকোট এ সীগী নুংথঙ তম্পাক্তা চান্মদা চান্মা কম্প্যুটর লিটরেট ভিলেজ ওইহনবদা খুঞ্জাশিংনা অচৌবা মতেং পীবীখি। ঙসিদি মোলভাইফৈ ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনা থৱায় য়াওবীরবদি থবকসি লায়না মায় পাকপা ঙমগনি। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কম্প্যুটর লেম্না তম্বীদুনা চহী ২গী মনুংদা মণিপুরবু কম্প্যুটর হৈহনবা ষ্টেট ওইহনবা পান্দম থন্নি। মীয়াম্না তেংবাং পীবীবা অমদি থৌনা হাপ্পীবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরমদুদা মরী লৈনবা মীতৈশিংগী জগোই, মারশিংগী জগোই অমদি ঈশৈ উৎপগা লোয়ননা ইন্সটোলমেন্ট বেসিস্তা দাটাৱিন্দ টেব্লেট ১০০ রোমসু খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোকখি। লোয়ননা চীংমীশিংনা তম্মীশিংদা অমদি চুড়াচান্দপুরগী ইচিল-ইনাওশিংনা তম্মীশিংদা নাৎকী ওইবা ফিশিং খুদোল তম্নখি।

# মহৌশাগী খল ঙাক্লবা লম্লক্কী শা-উচেকশিং ঙাক শেনবা তায় : মহেন্দ্র প্রদাপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): মহৌশাগী খল ঙাক্লবা লম্লক্কী শা-উচেক ঙাক শেনবা তায় হায়না চীফ কঞ্জর্বেটর ওফ ফোরেষ্ট টিঐচ মহেন্দ্র প্রতাপনা ঙসি খোঙজোমদা লৈবা য়ুরেকা হায়স্কুলদা পাঙথোকখিবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক ২০১৭ লোয়শিনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৬ তগী চথরকপা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক ২০১৭ লোয়শিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ কঞ্জর্বেটর ওফ ফোরেষ্ট টিঐচ মহেন্দ্র প্রতাপনা হায়খি, মহৌশাগী খল ঙাক্লা থম্বদা মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক্কী থৌদাং চাওই। মহৌশাগী খল ঙাক্লা নুংঙাই য়াইফনা লৈবদা ঐখোয়না লম্লক্কী শা-উচেকশিং ঙাক শেন্দুনা হিংহনবা মথৌ তাই। লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু হাৎপা অমদি মাঙহনখিবা অসিনা মহৌশাগী খল কায়রকপা, ঈশিং ঈচাও থোকহনবা অমদি মখল কয়াগী লায়না-তিন্না থোক্নিংঙাই মচাক ওইরকই। ইকো সিষ্টেম অমগী মখাদা উচেক্লা চাথোকখিগদবা তিন-কাঙশিং উচেক লৈতবদগী চাথোক্তবা তারবদি লৌউ-শিংউদা তিন-কাঙ তাবদগী অমাঙবা কয়া থোকহল্লি। তিন-কাঙশিং অদু হাৎনবা তিলহাৎ হিদাক শীজিন্নৈ। হু চেনবা অসি মীওইবনা চাবদগী মখল কয়াগী লায়না-তিন্না থোকহনবতা নত্তনা মীওইবগী পুন্সি তেনশিলহল্লি। ইকো সিষ্টেম ঙাক্লা মহৌশাগী খল কায়হন্দনবগী পান্দমদা মহৈরোয়শিং অমদি নহারোলশিংদা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু নুংশিবা পোকহন্নবগী পান্দমদা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক অসি চহী খুদিংগী মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্লি। ঐখোয়গী শিংলি-নাউরিদা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু নুংশিবা অমদি কন্নিংবগী ঈ চেল্লবা মতমদা মালেম অসিদা নুংঙাইনা হিংবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর থৌবাল আর কে অমরজিৎনা হায়খি, লম্লক্কী শা-উচেকশিং কনবদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট খক্তদা ইন্থোকপগী মহুত্তা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু মখা তাখি। ৱাইল্ড লাইফ ৱিক লোয়শিনবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাঙথোকপা দিবেটিং কম্পিটিসন, এসে কম্পিটিসন অমদি স্পোর্ট পেন্তিং কম্পিটিসনগী মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদসু মনা-মথুম পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা দিবেটিং কম্পিটিসনদা প্রোগ্রেসিব ইংলিস স্কুল লমদিংগী মহৈরোয়শিং মথংশিংনা টি জেনী, এল মঙাল অমদি এনজি লক্সমীনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি। থা অসিগী ৬ তা রোল ওফ য়ুথ ওর ষ্ট্যুদেন্ট ইন প্রোটেক্সন এন্দ কঞ্জর্বেসন ওফ ৱাইল্ড লাইফ ইন মণিপুর হায়বা টোপিক্তা পাঙথোকখিবা এসে/ আর্টিকল রাইটিং কম্পিটিসনদা প্রোগ্রেসিব ইংলিস স্কুল লমদিংগী সনসম নন্দিতানা অহানবা, রোয়েল একাদেমী ওফ সাইন্স ৱাংজিং লমদিংগী এল লমজিংবনা অনীশুবা অমদি প্রোগ্রেসিব ইংলিস স্কুল লমদিংগী পৃথিবীজিৎনা অহুমশুবা তাখি।

অমরোমদা, রিদ ফ্লোরা এন্দ ফাউনা ওফ মণিপুর হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবদা ভিক্তোরি হায়স্কুলগী য়েংখোম মোনালিসানা অহানবা, ককচিং পব্লিক স্কুলগী নাওরেম রিসিদাসনা অনীশুবা অমদি স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী খাঙেনবম রামেশ্বরীনা অহুমশুবা তাখি। পনবা য়াবদি, চাংদম্নবশিং অদু থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। স্পোট পেন্তিং কম্পিটিসন অদু ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মহৈরোয়শিংদা মীৎয়েং থম্লগা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## দিফরেল্লি এবল্ড পর্সনশিংনা শীজিন্নবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): আর্টিফিসেল লিম্ব মেন্যুফেকচরিং কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া, নেসনল ইন্সুরেন্স কম্পেনি লিমিটেদ অমদি রিলিফ সেন্তর ফোর ৱেলফেয়র ওফ দিফরেল্লি এবল্ড পর্সন মণিপুরনা খুৎশম্নবা শীন্দুনা দিফরেল্লি এবল্ড পর্সনশিংগী ওইবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকপগী কেম্প অমা ঙসি লাইশ্রম লৈরক কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর জসিন্থা লজারস, পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিগী ষ্টেট কম্মিস্নর ডা. কুমারজিৎ, রিলিফ সেন্তর ফোর ৱেলফেয়র ওফ দিফরেল্লি এবল্ড পর্সন মণিপুরগী এদভাইজর সাপম কুঞ্জকেশ্বর, অলিমকোগী রিজনেল হেদ, দেপ্যুটি মেনেজর সেন গুপ্তা, এন আই সী এল মণিপুরগী দিভিজনেল মেনেজর ভোগেশ্বর, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর এ কামেশ্বর অমদি হ্যুমেন রাইট লো নেটৱার্ক মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর প্রেমলতাসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর জসিন্থা লজারসনা ফোঙদোকখিবদা, অলিমকোনা তৌরিবা থবক অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মখোয়গী মতেংনা দিফরেল্লি এবল্ড ওইরবা মীওইশিংগীদমক পোৎলম কয়া পীরি। নেসনল ইন্সুরেন্স কম্পেনিসু থাগৎলি। মখা তানা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি য়ৌহন্নবা হোৎনরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মতেং ফঙগনি। অনৌবা স্কীম কয়া পুথোক্লবা হোৎনরি। মসিদা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনসু শৌগৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, দিফরেল্লি এবল্ড পর্সনশিংগীদমক শীজিন্নবা পোৎলম কয়া পীরিবা অসি অরোয়বা নত্তে। ৱেলফেয়র স্কীম ময়াম অমসু পায়খৎলকখিগনি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা তৌরিবা থবকশিং অসি থাগৎপা তায় হায়নসু ফোঙদোকখি। ফ্রি দিষ্ট্রিব্যুসন কেম্প অদুদা হ্বিল চেয়র (লার্জ) ৬২, হ্বিল চেয়র (স্মোল) ১৮, ত্রাইসাইকল ৪৪, হিয়ারিং এইদ ৪১, এম আর ২৭, চৈসু অনী লেম্না য়েন্থোকখি।

## বোম পোকখায়হনখিবগী মতাংদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): লুক্রাম লৈরক্তা পাঙথোকপা মেলা মফমদা বোম পোকখায়হন্দুনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা লমদম অদোমগী নুপী কয়ানা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

লুক্রাম লৈরক য়ুথ ক্লব ময়াদা ঙসি লমদম অদোমগী নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম চথুখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, মেলা তৌরিবা অদু লুক্রাম লৈরক য়ুথ ক্লবকী ওইনদি মফম পীবা খক্তনি। মেলা মফম অদুদা ঙরাং বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১১ রোম অশোক অপন নংখি। মীওই অমদি হৌজিক য়াম্না অরুবা ফিভম অমদা লায়কন্নরি। অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিং অসিগী লায়েংবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মতেং পাঙবীয়ু। অশোক অপন নংলবশিংনা লায়েংবগী থবক্তা মতেং পাঙহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

## সন্দং সেনবা মরিংদা মেরা হৌ চোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দা সন্দং সেনবা মরিং খুলদা লব, পীস এন্দ য়ুনিটি ইনদাইভর্সিটি হায়বা থিমগী মখাদা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এ দি সী ফাইনান্স চেয়রমেন ডা. দোমিনিকনা চীফ গেষ্ট, য়ু সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা গেষ্ট ওফ ওনর, ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মেদুন মরিঙনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। স্পেসল গেষ্ট ওইনা অমকিলগী প্রসিদেন্ট পিঐচ সখি লৈমা, নিপকোগী প্রসিদেন্ট ও প্রেমজিৎ, অকোম লুপকী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ সোমোরেন্দ্রো, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ প্রিয়োকুমার অমদি ৱাংখেম মৈরা পায়বীগী চেয়রমেন, সেক্রেটরি, খুন কয়াদগী খুল্লাকপা অমসুং পাষ্টরশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। চীফ গেষ্টনা মেরা থাউমী চিংখৎখি। থৌরমগী মপুং ওইবা শরুক অমা ওইনা চীংমী তম্মী পোৎ লান্নবা অমদি চাকলেন চামিন্নবনচিংবা পাঙথোকখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দোমিনিকনা ফোঙদোকখিবদা, চীংমী তম্মী অনীগী নুংশিনবা অফবা থবক্লা উৎতুনা কাঙলুপকী মরক্তা নুংশিনবগী মরী শাগৎতুনা তুং কোয়না অচেৎপা, নুংশিনবগী মরী থম্বা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ু সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা ফোঙদোকখিবদা, ইমোমনা শীন্দুনা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম পাঙথোক্লি। সন্দং সেনবা খুল অসিবু মীংথোল পীরম্বা অসি লাইনা পীরম্বা নত্তে। সন্দং তরেৎ তুবা ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা মৈতৈ নিংথৌনা পীরম্বা মমীংনি। মেরা হৌ চোংবা থৌরম অসি তুংদা হেন্না ফজনা চীংগী মফম কয়াদা পাঙথোকপনা চীং-তম অনীগী মরক্তা নুংশিনবা পুরকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম মপু ওইখিবা মেদুন মরিঙনা ফোঙদোকখিবদা, মৈহৌরোলদগী চীংমী তম্মী অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরকপনি। পুৱারিগী ওইবা কয়া অসি ঙসি ঐখোয় মেরা হৌ চোংবা পাঙথোকপা অসিনা নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। কুম্মৈ অসি চীং-তম অনীমক্কী ওইবনি। ময়াম্বনা চীংমীনি, মনাওনা তম্মীনি। মচিন-মনাও ওইবগী নুংশিনবা মরী মাঙহল্লোয়সি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): রুরেল বেকয়ার্দ পোলত্রি প্রদক্সন ৱিথ ইমপ্রুব জর্মপ্লাজম হায়বা হীরমদা থা অসিগী ১২ দগী ১৪ ফাওবা কৃষি ভিগ্যান কেন্দ্র চুড়াচান্দপুরদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। বেকয়ার্দ পোলত্রি ফার্মিং ফোর সস্তেনেবল লাইফলিহুদ ইন চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হায়বা এস টি সী/টি এস পি ফন্দ প্রোজেক্টকী মখাদা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী কোর্স কোওর্দিনেটর ডা. এল ববিতানা, ঙানু, য়েন লোয়দুনা হিংনবগী শেন্দানফম ওইনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। টেক্নিকেল সেসনদা কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী এ সী টি ও (এ/এস সী) ডা. দব্লিউ রাজেন্না বেকয়ার্দ পোলত্রি প্রদক্সন হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। কে ভি কে চান্দেলগী এস এম এস (এ/এস সী) ডা. অমিতানা রোল ওফ ন্যুটিসন ইন পোলত্রি হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

## এম এল এগী য়ুমদা বোম লংশিল্লম্লে, মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): সেকমাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোগী খুরখুল লমখায়দা লৈবা য়ুমদা মশক খঙদবা মীওই খরনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লম্লে। লাইবক ফবদগী বোম অদু পোকখায়খিদে। থৌদোক্তুগী মতাংদা মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি খুরখুল লমখায় কৈথেল শঙদা ৱাকৎ-মীফম চথুখ্রে।

ৱাকৎ-মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অপুনবা খুরখুল নুপী চাউখৎ লূপকী সেক্রেটরি খাইদেম নুংশিতোম্বীনা ফোঙদোরকপদা, সেকমাই এ সীগী এম এল এ, হৈখাম দিঙ্গোগী য়ুমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা মীচম-মীয়ামদা অকিবা পোকহল্লম্বসি য়ানিংদে। অসিগুম্বা থৌওং অসি মরী লৈনবশিংনা মখা তানা চথুবীগনু। মীয়ামগী মীহুৎ অমগী য়ুমদা অসিগুম্বা কি-খঙহনবা পোকহনবা থৌওং অসি কনানা করিগীদমক চথুরম্বনো হায়বদু মরী লৈনবশিংনা শেংদোকপীরকউ।

ৱাকৎ-মীফম অদুদা মচিন তুমখৎলক্লিবা এম এল এদা অকি-অখঙ পোকহনবীগনু। এম এল এগীদমক ঐখোয় ময়াম লৈরি। করিগীদমক এম এল এদা কিহল্লক্লিবনো, মরম শেংদোকপীয়ু, য়ুম্লক্তা বোম থম্লম্বা য়ানিংদে হায়বনচিংবা প্লে কার্দশিং ইদুনা থেৎখি। অমরোমদা, ঙসি অয়ুক সেকমাই এ সীগী এম এল এগী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা বোম থম্লম্বা অদু য়ানিংদে। মীচম-মীয়ামদা অকিবা পোকহনবা অসি য়ানিংদে। মতুংদা মখা তানা কিহনবগী থৌওং অসি মরী লৈনবশিংনা চথুবীগনু হায়না এম এল এ দিঙ্গোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মরক অসিদা, এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোগী য়ুমদা হেন্দ গ্রেনেদ থম্লম্বা থৌদোক অদুবু নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি হরাওথেল প্রোটেক্সন কম্মিটিনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙখ্রে। বোম অদু করিগীদমক্তা থম্লম্বনো লোয়ননা মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি য়ূম্লক্তা থোকহনবীদনবা মরী লৈনবশিংদসু কম্মিটি অসিনা আপিল তৌরক্লি।

# মাঙজিন থাবা লমদম ওইহন্নবগীদমক পঞ্চায়ট সিষ্টেম মপুং ফাহনবা চঙই: শান্তি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): মাঙজিন থাবা লমদম ওইহন্নবগীদমক পঞ্চায়ট সিষ্টেম মপুং ফাহনবা চঙই হায়না শান্তি থাবা সোসেল ৱরকর টিঐচ শান্তিনা হায়খি। মসিগী ফিলেম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা পঞ্চায়ট সিষ্টেম মীখলদা মীরেপ ওইখিবা অমদি মায় পাক্লবা মোইরাং এ সীগী প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখি।

মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিব ফ্রন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা টিঐচ শান্তিনা হায়খি, পঞ্চায়ট সিষ্টেম অমদি পার্লিয়ামেন্টরি সিষ্টেম অসি ইন্দিয়াদা লৈঙাকপদা য়াম্না মরুওইনা চখরিবা সিষ্টেমশিংনি। গান্ধীনা পঞ্চায়ট সিষ্টেমবু য়াম্না পামজরম্মী। পঞ্চায়ট সিষ্টেম অসি মপুং ফানা থবক ওইনা পায়খৎলবা মতমদা মাঙজিন থাবা লমদম ওইরক্কনি। চাউখৎপদা মাঙজিন থাবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক পঞ্চায়ট সিষ্টেম অসি মপুং ফাহনবা চঙই।

মোইরাং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি অসি মণিপুরদা লৈরিবা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী মনুংদা মাঙজিন থাবা এ সী অমা ওইনা য়াওবা হোৎনমিন্নসি। প্রধান অমদি মেম্বরশিংনসু পঞ্চায়টকী থবকশিং অসিদা নীংথিনা পায়খৎতুনা চাউখৎপা পুরক্কবগী হোৎনবীয়ু। মসিদা অঙম্বা থাক্তা পাঙবা য়াবা মতেং অমদি তৌবা য়াবা থবকশিং তৌনবা চাউখৎপদা মাঙজিন থানবগীদমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি। পঞ্চায়টকী থাক্তা খুঙ্গং খুঙ্গংশিংদা চাউখৎপা পুরক্কবা হোৎনবদা প্রধান অমদি মেম্বরশিংগী তঙায়ফদবা কয়া অমসু লৈরিবনি। মোইরাং এ সীদা চাউখৎ থৌরাংগী হীরম কয়াদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। ৱাহৈ খক্তমক হায়বা পামদে। থবক ওইনা পাঙথোক্কনি।

চাউখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি। প্রধান অমদি পঞ্চায়ট মেম্বরশিংনসু পঞ্চায়ট সিষ্টেম মপুং ফানা পায়খৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরক্কনি।

মোইরাং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মফমশিংগী প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং লোয়ননা হন্দক পাঙথোকখিবা মঙাশুবা পঞ্চায়ট মীখলদা মীরেপ ওইখিবা কয়াবু ঙসি তরাম্না ওকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিব ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট এল গোপালনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি। জেনরেল সেক্রেটরি উত্তমকুমারনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি।

## কোরকোমগী টোটেল সট দাউনগী ...

*লামায় ১গী মখা...* নমজা-নমথেক্লদুনা লৌশিনখিবা অসি মতমদুগী মীয়াম্না য়ানিংখিদে, মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্টকী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাকখি অমদি মতমদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবগী লান্থেং অসি মীরোল খুদিংমক্লা লেপ্তুনা চথরক্লি।

মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্টকী মরমদা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শীন থুংনা লৈবাক মীয়াম হুপ্পা মীফম মশীং নাইদনা পাঙথোক্তুনা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখিবা (এনেক্সেসন) নি, য়ানিংদে হায়বসি ইরৈচা পুম্নমক্কী খোল্লাউ ওইদুনা লাক্লি। মীফম খুদিংমক্লা মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭, ইন্টরনেসনল লো অমদি অতৈ মরী লৈনবা চে-চাংশিং কুপ্না খন্ন-নৈনদুনা মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট অসি এনেক্সেসননি চৎনবা য়ারোই, য়াফমসু থোক্তে হায়না ৱারেপ তাখ্রবনি। মসিগী মথক্তা, মণিপুরগী নিংতম্বা অমুক হঞ্জিন্নবগীদমক ঐখোয়গী মীয়াম্না লৈবাক্কী অখণ্ড-অহৈশিংগা পূন্না অচেৎপা ফিরেপ কয়ারক লৌমিন্নখ্রবনি হায়রি। ঙসি লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা চথরিবা ঐখোয়গী লান্থেং অসি লৈবাক মীয়ামগী মীনাই-নাইথাং কোক্লনবা অশেংবা নিংতম লান্থেংনি। নিংতম লান্থেং অসি মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা ঐখোয়সু য়াওননবনি। নিংতম্বা হায়বসি চাউখৎপনি। চাউখৎপা হায়বসি নিংতম্বনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৪৯, ওক্টোবর ১৫, পুৱারীগী লাইবক থীবা তাঙ্কক অসিদা মাঙখ্রবা ঐখোয়গী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা খোঙজং অসিবু ইরৈচা খুদিংমক্লা শরুক য়াবীয়ু অমদি শৌগৎপীয়ু। হয়েং ওক্টোবর ১৫ কুমজা ২০১৭ অসিসু ঐখোয়গী নিংতম লালহৌগী শরুক অমা ওইনা মহৌশাগুম নেসনল ব্লেক দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লকখিবগী পরিংদা, ওক্টোবর ১৪গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা মথং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তা কোরকোমনা টোটেল সট দাউন লাউথোক্লে। হায়রিবা মতমসিগী মনুংদা লল্লোন-ইতিক্কী থবক, লোইশঙশিংগী থবক, লম্বী-লমজাওদা চৎপা, শান্ন-খোৎনবা, হরাও-কুম্মৈ পুম্নমক লেপ্পীদুনা নেসনল ব্লেক দেগী থৌরম অসি হন্দকসু মপূং ফানা পাঙথোকমিন্নসি হায়না আপিল তৌরক্লি।

টোটেল সট দাউন অসিনা তঙাইফদবা অনা-লায়েং, মৈহৌ-লাংপোক, ঈ-পাউগী থবকশিং, লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা য়ৈথোকফদ্রবা থৌরমশিংগীদি অথিংবা অসি কোমথোক্কনি হায়রি।

## মেলা মফমদা পোকখায়খিবা বোম পীপল’স...

*লামায় ১গী মখা...* সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগা ফম্মিন্নদুনা শেমখিবা চৎন-কাংলোন অদুগী ৱাংমদা কেপিটেলিষ্ট ক্লাসকী খূৎলিংবা কাঙবু খরা পূনশিল্লগা ঙম্মী হায়বা মওংদা মশাগী অনীংবা অপাম্বা মওংদা জ্বার-মেলা পাঙথোকপা কয়া য়াওরকখি। মখোয়না তৌরক্লিবা জ্বার-মেলা অসিনা খুন্নাই অসিদা পীরিবা চৈথেং অসিদি করিসু উদবগুম তৌরি। মরুওইনা তুংগী হৌরক্লিবা নহাশিংদা গেমব্লিং বিহেভিয়র লৈহনবতা নত্তনা কুপ্না নৈনরুরবদি লমচৎ শাজৎ কান্নবগী অচৌবা লম্বী অমসু ওইরিবনি।

ঐখোয়গী কংলৈ খুন্নাই অসিদা মাঙলমচৎতগী চথুরকখিবা গেমব্লিংগী মওং অসি শম্লপ্পা হায়রবদা লৈকাইগী লৈপুং ফম্বদগী প্লেয়িং কার্দ শান্নবা হৌরকপনা নিঙোল চাক্কৌবা মতমদা লগাওদা শেঞ্জাউ থাবগী কলচর অমা লাকখি। ইলেক্সন মতমদা য়ূম, ইঙ্খোল অমদি লাক্ষ না খুজিং ওইবা শেঞ্জাউ থানবগী কলচর অমসু মচি মরুমদা অদুমক হৈনবী ওইনা লৈরি হায়বসি ঐখোয়গী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি হায়নসু মখা তারি।

লৈকাই ক্লবকী ফন্দ ড্রাইভ ওইনা শানরম্বা লূপা ৫০-১০০ গী হাউসি ড্রোদগী থাংমৈবন্দ য়ুথ ক্লবনা মীদিয়াগী খুথাংদা এদভর্টিজমেন্ট হৌদোক্লুবদগী গেমব্লিং ভাইরস (লায়না) ওইনা খুন্নাই অসিদা হৌরক্তুনা চেফোঙ চন্দবমখৈ লূপা লাক্ষ ৫, লাক্ষ ১০ গী গেমব্লিং ওন্থোরকখি। মখা তারকপা ওইনা ঙসিনা অমুক চহী অমদা অমুরক তৌরম্বা কাংজৈবুং মেলানা কুম্বী-কালেন খাক্তবা মখৈ মচি-মচি খূদিংগী জ্বার-মেলা ওইনা অমুক ওন্থোরকপা অসিনি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

খুন্নাই অসিদা তারক্লিবা জ্বার-মেলা অয়াম্বা অসি গেমব্লিং-মাফিয়া কাঙবু খরনা চলাইবনি হায়বসি নোংম-নোংমগী ময়েক শেংলক্লি। মসি পর্সনেল ফেক্টরনি হায়না লৌগেরা নৎত্রগা ইনভাইরনমেন্ট ফেক্টরননি হায়না লৌগদ্রা? মসিবু মনুং মতম চানা থিংহৌদ্রবদি খুন্নাই অসিগী হৌরক্লিবা মীরোলদা ফৌহাম চেনবা খুন্নাই অমা ওইনা শেন্নল্লগনি। গেমব্লিং-মেলা তৌরিবা অয়াম্বা পর্সনেল ফেক্টর হিংনবগী লানফমদা অরাইবা লম্বী অমা ওইবতা নত্তনা য়াম্না কোম্বা অচৌবা শেন্দান লম্বী ওইনা চথরকপনি অমদি ইনভাইরনমেন্ট ফেক্টর লোমদা য়েংলুরগনা মখোয়গী মপা-মপু হাক্তক্তগী গেমব্লিং হৈনরকপদা নত্তনা ফেমিলি ইনফ্লুএন্স অমদি গেমব্লিং মোটিভেসন ফেমিলি ওইরকপনি হায়না পীপল’স ৱার গ্রুপনা লৌই হায়রি।

ইকাইবা হায়বা অদু থাদোক্লগা কেপিটেলিষ্ট ক্লাসকী চৈঙাক ওইরিবা পুলিস সী ডি ও খরা লোয়নরগা মঙক থেকৎনা চৎপা কয়া অমসু য়াওরক্লি। পীপল’স ৱার গ্রুপনা প্রপোজ তৌখিবা খুন্নাই অসিদা য়ূম্ফম ওইবা মেলা হায়বদি মীয়ান লমগী পোৎথোক য়াওহন্দনা য়েলহৌমীশিংনা পুথোকচবা পোৎথোক য়োনবা অমদি মীতোপ মীয়ানচা অমত্তা মেলা শিনবদা শরুক য়াহন্দবা হায়বা ৱাখল্লোনদা মুক্তা লৈমা মথন্তনা চলাইবা নোর্থ ইষ্ট মেলা এসোসিয়েসনদা পার্টিগী মায়কৈদগী মীতোপ মীয়ানচাশিং য়াওবা মেলা পাঙথোকপা অথিংবা থম্লুবদা মখৌ পোংনা পীপল’স ৱার গ্রুপ ওইরবদি ফিল্ডদা থেংনসি হায়না পার্টি অসিগী লূচিংপুরেল চেয়রমেন লময়ানবা খুমন এলিয়স পিবারেলগী মফমদা ফোনগী খুথাংদা করেম্নরকপদগী তঙাইফদনা বোমগী লান্দা অদু চথুখিবনি হায়না মরাল শীরি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখিবা অদুগীদমক পীপল’স ৱার গ্রুপ অসিনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী তেকচাক খুদিংমক মুক্তা লৈমা অমদি লুক্রাম লৈরক য়ুথ ক্লবনা পুগদবনি অমদি লৈবাক মীয়াম খঙনা মশাগী মরাল অদু য়াজফম থোকই। মমা-মপা ওইবশিংনা পংচা মচাবা, পংহিং মহিংবগী থবক থাদোকপীদুনা মচা মশুশিংবু অচুম্বা লম্বীদা পুদুনা চৎপীয়ু হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

খুন্নাই অসিগী য়েলহৌমী ফুরুপ অসি তশেংনা ইন্দিয়াগী মীশিংগা য়েংনরুরবদি ০.১২% (২০১১ সেন্সস) মশিংতমক ওইরি, লিটরেসি রেট ফনা ৱাংদুনা ৭৯.৮৫% (২০১১ সেন্সস) ওইদুনসু অনইমপ্লোইমেন্ট রেটতি ১০.১৭% ওইদুনা নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাউগুম হেনগৎলক্লি। মসিগী মথক্তা কংলৈ খুন্নাই অসি ঐচ আই ভি/এইদসকী ইরোলনুংদা লুপ্তুনা ১.২২% রেটকী মথক্তা লৈরিবা ঐচ আই ভি/এইদস ৱাংলিবা মফম অমসু ওইরি হায়বসি পূন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। খুন্নাই অসিদা ফেক্টর কয়া অমা থোক্লকপা য়াবনা লূপ অসিনা এ এম এম এলগী মথক্তা থমখিবা ৱাফম খূদিংমক খোঙফম অমতা লেঙদনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি। কংলৈ খুন্নাই অসিদা মখল খূদিংগী গেমব্লিং মেলা অমদি মনুং মতম চাদনা মেলা পাঙথোক্লোইদবনি। ৱাফম অসি লৈবাক মীয়াম খঙনা অপূনবা মণিপুর মেলা লূপ (এ এম এম এল) না অকক্লবা চৎন-কাংলোন অমা শেমদ্রিফাওবগী ওইনা চৎনখিগনি হায়নসু মখা তারক্লি।

## পোলিসি ফোঙলগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ : মণিপুর পিগ ব্রিদিং পোলিসি অথুবদা ফোঙলগনি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ওক লোয়বা মীওইশিংগী য়াইফনবগীদমক পিগ ব্রিদিং পোলিসি পুথোক্লবা শেম শারি। ষ্টেকহোল্ডর, ওক লোয়বশিং অমদি মীয়াম্না কন্মন্টে পীনিংলবদি সঞ্জেন-থোংদা লৈবা ওফিসতা থা অসিগী ২০ গী মনুংদা পীরকপা য়াগনি হায়রি।

## অরিবা লাইফমশিং শেমগৎননবা...

*লামায় ১গী মখা...* অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোলদা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি মদুদি, মালেমদা খুন্দারিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা মশাগী হৌরকফম অমদি ঈ মরীগী খোঙ্গুল লিবা হৌরক্লে। মালেম অমদি মীওইবনা হৌরকপগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম লাই হরাওবদা ময়েক শেংনা য়াওরিবা মরম্না অতোপ্পা মচাকশিং হাপচিন্দুনা লাই হরাওবগী অশেংবা মশক হোংদোকহন্দনবা হোৎনফম থোকই।